# CPTD গীদমক শীজিন্নবা য়ারবা ছাচা/ব্লোক
## (Entitlement Matrix for CPTD)

| সেরিয়েল | ইস্যু/ইম্পেক্ট | কান্নগদৌরিবা | ফংফম থোকপা ওপসন |
|---|---|---|---|
| ১ | য়ূন্বী মখোঙগী মখাদা লৈবা লমগী এরিয়া। | মপূ | রেভিনিউ অথোরিটিনা লেপ্পা, কৈথেলগী মমলদা নত্রগা চান্ননা লৌশিল্লবা/মিং ওনবা নত্তনা য়ানবা অমগী মখাদা লমগী মমল চামদা চান্মা। |
| ২ | লম্বীগী নাকন্দা লৈবা, মহৈ-মরোং অমদি উ-ৱা-শিংগী অমাঙবা | মপূ/লৌমী/মহৈমরোং লোকপদা য়াওগদৌরিবা/শান্দোক্লিবা | অশেংবা লৌমীদা মহৈ মরোংগীদমক কৈথেলগী মমলদা ক্ষেতিপুরন পীবা অমদি উহৈ পানবা উপালগীনা চহী ৮ গী আয়/চাগা/ইনকম পীবা। AP শিংদা মাঙজৌননা লৌ খাওদোক্লবা নোটিশ পীগনি। উ-বীমশিংদি মপূ মপূনা লৌজবা য়াহনগনি। |
| ৩ | অতৈ অমাঙ-অতাশিং (লৈরবদি) | এ. পি. পূন্নমক | মরী লৈনবা অথোরিটিনা লেপ্পা মতিকচাবা মমল। |
| ৪ | | | |
| (i) | য়ূম-কৈ মাঙবা য়ূম | মমিংদা লৈবশিং | অনৌবা য়ূম অমা শানবা লোয়ননা মখাদা পীরিবা কেতেগোরি-৫ গী মতুংইন্না চৈরক্কী কান্নবা ফংনবা শেল ওইনা ক্ষেতিপুরণ পীবা। মসিগী মমলনা মাঙবদগী কলহৌরবা মাল-চাংগী ককহৌদনা অনৌবা শাবগী চঙখিবা শেনফম অমসুং মসিগী মথক্তা মতমগী চৎনরিবা GOI গী নিয়মগী মখাদা (অশোনবা কাঙলূপকী ওইনা) লুপা ২৫,০০০/- গী মতেং পীবা। |
| (ii) | দুকান/লোয়শঙ/শঙ্গোল | লন্নাই মী/মমিংদা লৈবশিং | শিনশঙ/দুকান শাগৎনবগীদমক্তা লুপা ১০০০/- গী ক্ষেতিপুরণ। মসিগী মথক্তা মখাদা পীরিবা কেতেগোরি ৫ গী মখাদা চৈরক্কী ওইনা ফংফম থোকপা শেনফম। |
| ৫ | মথক্তা পল্লিবা নম্বর (i) অমসুং (ii) গী মখাদা হোংদোক হোংজিন অমদি পুথোক পুশিনগীদমক চৈরক্কী ওইবা অমাঙবশিং | ইমুং মনুং/য়ুনিত | হান্না লৈরম্বা মফমদগী অনৌবা হোংদোকফম তান্না মাল-চাং/শা-শল পুথোক-পুশিন তৌবগী দরকার ওইবা মতেং পীবা নৎত্রগা মদুগা মান্নবা শেনফম পীবা। |
| ৬ | চীংমী/শাথিনা শোক্লবশিং (APs) | শাথিনা শোক্লবশিংগী শীংদা চল্লিবসি সেদ্যুল ট্রাইবশিং/শোইনাইবশিংনি। | ষ্টেট অথোরিটি/এ.ড়িসি./ভি.সি. না রিকমেন্দ তৌবা ক্ষেতিপুরণগী চাদা ২৫দগী হেন্দনা, অমুক্তংগী ওইনা অহেনবা চাউরাকপা শেলগী মতেং পীবা। |

# ষ্টোক হোল্ডরশিংগী কন্সলটেসন

তাথোক তাশিন (কন্সলটেসন) তৌবা হায়বসি পোলিসি ফ্রেমৱার্ক অমা শেমগৎ-শাগৎপগী মনুংচন্না লৈবা শরুক অমনি। ই.এস.পি.পি.এফ অসি ডিজাইন অমদি দেভলপ তৌবা মতমদা মিৎয়েং অসি য়াম্নমক মরু ওইবনি হায়না লৌনখ্রবনি। লন্নাই মীওইশিংগা উনবগী মথক্তা অতৈ ষ্টেকহোল্ডরশিং অমদি কান্নবা ফংগদৌরিবশিংগা তাথোক-তাশিনসু তৌনখ্রবনি। ই.এস.পি.পি.এফ অসি শেমশাবা হৌরকপা অমদি ফাইনেল ওইনা খন্নরিঙৈ মনুংদসু মতাং চানা ৱাফম কয়া কয়া খন্নখ্রবনি। তাথোক-তাশিন তৌনখিবা কয়া অদুগী অকৃপ্পা ৱারোল মখাগী টেবলদা পীরি :

| সেরিয়েল | তারিখ | মফম | য়াওরিবশিং/শরুক য়ারিবশিং | কারকপা মশীং |
|---|---|---|---|---|
| ১ | ৭,৮ জনুয়ারী ২০১৪ | এস.এম.পি.সি.এল ওফিস, মণিপুর | এম.এস.পি.সি.এলগী মীহুৎশিং, মণিপুর সরকারগী ফোরেষ্ট ডিপার্টমেন্ট অমদি লোক্তাক ডিভলপমেন্ট অথোরিটিগী ওফিসিয়েলশিং। | ৮ |
| ২ | ৯,১০ জনুয়ারী, ২০১৪ | পাৱার গ্রীড, ঐইচ.ভি. ডি.সি ওফিস, গুৱাহাটী | কান্নবা ফংগদৌরিবা রাজ্য ৬ কী মীহুৎশিং, পাৱার গ্রীদ অমসুং ৱার্ল্ড বেংক। | ২৬ |
| ৩ | ২৯ মার্চতগী ১, এপ্রিল ২০১৫ ফাওবা | এম.এস.পি.সি.এল মণিপুর | পি.ই.ডি.এম.গী তোঙান তোঙানবা ডিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং | ৬ |
| | | লেন্দ রেভিনু ডিপার্টমেন্ট মণিপুর সরকার | লেন্দ রিসেটলমেন্ট ওফিসার অমদি এল.এ.ও. | ৪ |
| | | থৌবাল এস/এসতা লম য়েংবা | ই.ই. সাইট ইঞ্জিনিয়ার | ৬ |
| | | পঞ্চায়ত/ট্রাইবেল ওফিস, মণিপুর সরকার | পঞ্চায়ত ওফিসার অমদি ট্রাইবেল ওফিসার | ৬ |
| ৪ | ১৩-১৫, নভম্বর ২০১৪ | ডাইরেক্তরেট ওফ ট্রাইবেল ওফিস, ইম্ফাল | মণিপুর সরকারগী ডিপার্টমেন্ট ওফ ট্রাইবেলসকী ডিপুটি ডাইরেক্তর অমদি অতৈ সিনিয়র ওফিসিয়েলশিং, এম.এস.পি.সি.এল., পাৱারগ্রীদ অমদি ৱার্ল্ড বেংককী মীহুৎশিং | ১০ |
| | | এম.এস.সি.পি.এল. ওফিস অমদি সেক্রেটারী (পাৱার) মণিপুর | এম.এস.পি.সি.এল.গী ওফিসিয়েলশিং অমদি পাৱারগ্রীদ অমসুং ৱার্ল্ড বেংককী মীহুৎশিং | ১২ |
| ৫ | ২৪, মার্চ ২০১৫ | হোটেল ব্রহ্মপুত্র অশোক, গুৱাহাটী | কান্নবা ফংগদবা রাজ্য ৬ কী মীহুৎশিং, পাৱার গ্রীদ অমদি ৱার্ল্ড বেংক | ৪০ |



MANIPUR STATE POWER COMPANY LIMITED
Keishampat Junction, Imphal- 795001
Corporate Office:- Electricity Complex, Patta No. 1293 under 87(2), Khwai Bazar, Keishampat, Imphal - 795001, Manipur, INDIA

## PUBLIC NOTICE

With the aid of World Bank and Government of India, Manipur State Power Company Limited (MSPCL) is taking up the work of strengthening and improving the transmission system of the state under the project of North Eastern Region Power System Improvement Project (NERPSIP). In order to avoid, minimize and mitigate any adverse environmental and social impacts likely to take place due to the implementation of the projects, Manipur State Power Company Limited (MSPCL) has prepared its own document called Environmental and Social Policy and Procedures (ESPP). The objective of the document is to strive/achieve sustainable development by identifying environmental and social concerns and create awareness among the stake-holders and to address these concerns to the extent possible for ensuring cleaner, safer and healthier environment by adopting the state-of-the art technologies during and after the execution of the project.

Details of the Environmental and Social Policy and Procedures (ESPP) are available in the Manipur Government's website www.manipur.gov.in

A public consultation to discuss the document "Environmental and Social Policy and Procedures (ESPP)" [illegible] will be held on Tuesday the 21st April, 2015 at 11:00 am in the Hotel Imphal, Imphal. Manipur State Power Company Limited (MSPCL) requests all the stake-holders and interested persons to participate in the meeting without fail.

Dated: 06th April, 2015
Imphal.

Sd/- N. Sarat Singh
Managing Director (MD)
Manipur State Power Company Limited (MSPCL)

১১৮. ইং ২০১৫ গী এপ্রিলগী তাং ১১ দা, ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল কন্সলটেসনদা মথক্তা পল্লিবা খন্ন-নৈনবশিং অসি মতোল লোম্না পুখৎখি। হান্নমা য়েন্থোকখ্রবা দ্রাফ্ট ই.এস.পি.পি.এফ. অসিগী মমল য়াম্বা ফীদবেক, সজেসন অমদি ইনপূৎ কয়া ষ্টেকহোল্ডরশিংদগী ফংবা ঙমখি। পূম্নমক অসি কন্সলটেসন তৌদ্রিঙৈ চয়োল খরগী মমাঙদা, এম.এস.পি.সি.এল.গী ৱেবসাইটতা অপলোদ তৌখি। মসিগী মথক্তা ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমক্না ঈ-পাউ অমদি মরী লৈনবা ৱাফম কয়া খঙবা ঙম্নবগীদমক্তা দোকুমেন্টশিং অসিগী হার্দ-কোপী অমা এম.এস.পি.সি.এলগী ওফিসতা ফংহনখি। ষ্টেকহোল্ডরশিংগী ৱার্কশোপ অসিগী শেমশাবগী শরুক অমা ওইনা সাধারণ প্রজাশিং য়াওনা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মফমদা কন্সলটেসন্সিগী তারিখ,মফম অমদি মতমগী অকুপ্পা ৱারোল মীয়ামদা খঙহনবা ওইনা ইংলিশ অমদি মণিপুরীদা পাউ য়ৌহল্লি। মসিগী মথক্তা তোঙানবা বার্ত্তন কয়াসু খঙৎলবা রাজ্য সরকারগী লোয়শঙশিং, মহৈ মশিংগী সংস্থানশিং, কাউন্সিলগী মেম্বরশিং, মেদিয়া অমদি প্রোজেক্তনা শোক্লবা মীওইশিং (পি.এ.পি.) লোয়ননা অতৈ ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মফমদা থাখি।



MANIPUR STATE POWER COMPANY LIMITED

## PUBLIC NOTICE

[illegible] www.manipur.gov.in [illegible]

ৱার্কশোপ অদু হোটেল ইম্ফালগী ওদিটোরিয়মদা শীনখি। মদুদা সাধারণ প্রজাশিং, পি.এ.পি.শিং, এন.জি.ও.শিং, এ.ডি.সি. মেম্বরশিং, হান্নগী মিনিষ্টরশিং, হ্যমেন রাইট ওর্গেনাইজেসনশিং, সোসিয়েল ৱার্করশিং, প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ত্রোনিক মেডিয়াশিং, একাদেমিসিয়ানশিং, ইন্সটিট্যুসনশিং, সরকারগী কর্ম্মচারীশিং, লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসনশিং, খুদম ওইনা হায়রবদা পাৱার ডিপার্টমেন্ট, ফোরেষ্ট ডিপার্টমেন্ট, লিগেল ডিপার্টমেন্ট, লেন্দ রেকোর্ড এন্দ সেটলমেন্ট ডিপার্টমেন্টনচিংবা কয়াগী ওফিসিয়েল মীওই ১৬৫ না শরুক য়াখি। এম.এস.পি.সি.এল. অমসুং পাৱার গ্রীদকী মীহুৎশিংসু য়াওখি। চুম্নগী য়াওবদা নত্তনা থবক শীনবদসু মতেং পাংখি। ৱার্কশোপ অদুদা এম.এস.পি.সি.এল.গী মেনেজিং






ডাইরেক্তর শ্রী এন. শরত সিংহনা সভাপতি ওইখি। ৱার্কশোপ অদু এম.এস.পি.সি.এন.গী ডি.জি.এম. মিষ্টর শান্তিকুমারনা ডিগনিটরীশিং অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিংবু তরাম্না ওক্তুনা হৌদোকখি। লোয়ননা থৌরম অদু লোইদ্রিবা ফাওবা সেসন শীনবা য়াওখি। তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীরবা মতুংদা মহাক্না এম.এস.পি.সি.এল.গী ই.ডি. (টেক্নিকেল) বু মণিপুর সরকারনা পায়খৎলিবা পাৱার দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমদি ৱার্কশোপ অদুগী কান্নবশিংগী মতাংদা তিল্লিবা মীয়ামদা ৱাহৈ খরা থন্বিনবা হায়জখি।




ই.ডি. শ্রী এনজি শরৎ সিংহনা হৌজিক রাজ্য অসিদা লৈরিবা পাৱার ট্রান্সমিসন অমদি দিষ্ট্রিবুসনগী ফীভম অমদি এম.এস.পি.সি.এল. না পায়খৎলিবা প্রোজেক্ত অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মতাংদা চাউরাকপা পাউদম অমা পীখি।




এন.ই.আর.পি.এস.আই.পি (নের্পসিপ) গী ট্রাঞ্চে-১ গী মখাদা প্রোপোজ তৌরিবা শেন্থং (ইনভেষ্টমেন্ট) গী মতাংদসু ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহনখি। টি.ডি.গী নেটৱার্ক ফগৎহনগনি লোয়ননা কঞ্জুমর পূম্নমক্তা ২৪ ৭ পাৱার সপ্লাই ফংহন্নবা শেম্লিবা সিষ্টেম অসিগী পান্দমসু ফংহনগনি হায়খি। রাজ্য অসিনা লীশাং শীৎনা চাওখৎ-লম্বীদা চঙশিন্নবগীদমক্তা অকোয়বগী ফীভম অমদি সমাজগী ওইবা ইস্যু কয়া থেংনবদা ই.এস.পি.পি.এফ. লৌশিনবা (এদোপ্ত তৌবা) দরকার ওই হায়নসু পনখি।

মখা তারকপদা, শ্রী শরৎ সিংহনা মহাক্কী কি নোট এদ্রেসতা টি.ডি.গী ইস্যু কয়া অসিগী মথক্তা রাজ্য অসিদা মৈ পুথোকপগী অৱাৎপা লৈরি অমদি মণিপুর সরকারনা মৈ পুথোক্লবগীদমক ওইথোকপা য়াবা লীখুন থিবদা নত্তনা নেসনেল গ্রীদকী খূথাংদা রাজ্য অসিদা পাৱার পুশিল্লক্লবা অদুগা মৈগী অৱাৎপা লৈরিবসি কোকহন্নবা ভারত সরকারগা হায়নদুনা তোঙান তোঙানবা মোদেলিটিজ কয়া পুথোক্লবা হোৎনরি হায়নসু পনখি। তুং কোইনা নৎত্রগা লীশাং শীৎনা চাওখৎহনবনা পীবা কান্নবগী মতাংদসু মহাক্না ৱাফম কয়ামরুম থমখি। অকোয়বগী ফীভম কনবা অমদি সমাজগী ওইবা সমস্যা কয়া লৈরিবসি নীংথিজনা খন্ন-নৈনরগা অমদি নিয়ম চুন্না, মওং-মরীল তানা প্লান তৌরগা কোকহনবা নত্তনদি প্রোজেক্ত অমত্তা মতম চানা লোইশিনবা ঙম্লোই হায়বগী অকিবসু ফোঙদোকখি। পাৱার গ্রীদকী ডিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ সোসিয়েল মেনেজমেন্টগী



এডিসনেল জেনরেল মেনেজর ডা. আরকে. শ্রী ৱাস্তব অসি এম.এস.পি.সি.এল.না পায়খৎলিবা প্রোজেক্ত অসিগী ফ্রেমৱার্ক শেন্বদা অচৌবা থৌদাং য়াখিবা মীশক অমনি হায়বসিসু মহাক্না ফোঙদোক্লম্মী। শ্রীৱাস্তব অসি মান্নবা পোলিসি দোকুমেন্ট শেন্বদা নত্তনা গ্রাউন্দ লেভেলদা পোলিসিশিং অসি পাঙথোকপদসু য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মীশক অমনি হায়বা ৱাফম অসিমসু মহাক্না মীয়ামদা পাউদমখি। মহাক্না তিল্লিবা ভাবকশিংদা থৱায় য়াওনা শরুক য়াবিনবা অমদি এম.এস.পি.সি.এল.না লৌখৎলিবা ই.এস.পি.পি.এফ.কী মতাংদা করিগুম্বা চিংনবা লৈরগদি মদু খন্ন-নৈনবগী সেসনদা ডা. শ্রীৱাস্তবকা তান্নরগা শেংদোকমিন্ননবা হায়জখি।



মসিগী মথংদা ডা. শ্রীৱাস্তবনা লুচিংদুনা টেক্নিকেল সেসন চথখি। ই.এস.পি.পি.এফ. কী মরুওইবা ফিচরশিং শন্নপ্না তাক্তুনা মওং-মরীল নাইবা প্রজেন্তেসন অমা পুথোকখি। প্রজেন্তেসন অসি পুথোক্লিঙৈগী মনুংদা মহাক্না টি.দি. প্রোজেক্টকা মরী লৈনবা ইনভাইরনমেন্ট অমসুং সোসিয়েল ইস্যু কয়াগী মরমদা ময়েক শেংনা লেকচর পীরম্মী। মসিগা লোয়ননা মখোয় অসি মতৌ করম্না শীল্লাংবগী থৌরাং কয়াগা চুংশিন্নরগা প্রোজেক্টকী খোঙজেলদা য়াওশিন্দুনা খরা হেন্না শাফবা মওং অমদা পুরকপা য়াগদগে হায়বগী মতাংদসু নৈনরম্মী। ই.এস.পি.পি.দা পল্লিবা ইনভাইরনমেন্ট, হেল্‌ঠ-ঙাকশেলগী প্রোভিজনশিংগী মতাংদসু শন্দোক্না তাক্লম্মী। লোয়ননা সমাজগী অমদি ইনভারনমেন্টকী মিৎয়েংদা য়েংবদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা সেন্সিটিভ ওইবা ফীভম কয়া কোকহন্নবা হোৎনবদা থৌরাংশিং অসিনা কদায়ফাওবা কান্নহনবা য়াবা হায়বদুসু নৈনরম্মী। দোকুমেন্টতা চনশিনখ্রবা প্রোভিজনশিং অদুসু ভাবকশিংদা শন্দোক্না তাক্লম্মী। খুজিল থৌরাং তৌদুনা লৈখ্রবা ই.এস.পি.পি.এফ, গ্রিভান্স রিদ্রেসেল মেকানিজম (জি.আর.এম.) অমদি কেপাসিটি বিল্ডিংগী থবক-থৌরমশিং পাঙথোকপদা চঙগদবা ইন্সটিট্যুসনেল সপোর্টকী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লম্মী।

প্রজেন্টেসন লোইরবা মতুংদা এম.এস.পি.সি.এল. অমদি পৱার গ্রীদতগী লাকপা পেনেলিষ্টশিংগী মফমদগী ক্লারিফিকেসন তানবিনবা পার্টিসিপেন্টশিংগী মফমদা হায়জরম্মী। শেংদোকপা (ক্লারিফিকেসন) অদু ৱাহৈ-ৱাতাগী মতাংদা, দোকুমেন্টতা য়াওরিবা প্রোসেসশিংগী মতাংদা, মখোয়না থেংনবা চুমথোকপা য়াবা অহোবা/অশোয়বগী মতাংদা অমদি ই.এস.পি.পি.এফ. লৌশিনবা অমদি মসিবু থবক ওইনা পাঙথোকপগী মতাংদা থেংনবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ওইবা য়াই। ফীদবেক অমদি সজেসনশিংগী মতাংদা নৈনখিবশিং অদুগী অশন্বা ৱারোল মখাদা পীরি।



য়ুরেম্বমদগী শ্রী কামো বিহারী সিংহ (মশামক সেনিয়র সিটিজন এন.জি.ও. গী মেম্বর ওইবা) না সবস্টেসন তাগদবা লম্বী অসি মরুওইবা ৱাফম অমা ওইনা খন্নখিদ্রৱা হায়বগী চিংনবা ফোঙদোকখি। মসিনা অনকপদা

লৈবা মীওই কাঙলূপশিংগী হকচাং শোকহনবা য়াবগী অকিবসু লৈ মরম অসিনা 'সবষ্টেসন'গী খন্নরকপদা ৰাফম অসি য়াম্না মরু ওই হায়না লৌহন্নীংবগী অপান্বসু শ্রী বিহারীনা মীয়ামদা থমখি। সবষ্টেসনগী অকোয়বদা লৈরিবা লমশিংদা উ-ৰা থাদুনা নুংশিংনা পুবা উফুলদগী ঙাকথোক্লবা লোয়ননা য়েংবদা পূক্নিং হূবা ফজবা মফম অমা ওইনবা হোৎনফম থোকই হায়বসিসু শ্রী সিংহনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী পাউখুমদা, ইনভাইরনমেন্ট মেনেজমেন্ট প্লানদা হান্ননা ৰাফম অসি য়াওদুনা লৈখ্রবনি হায়না শ্রী ৰাস্তবনা শেংদোকখি।



মণিপুর সরকারগী হান্নগী মন্ত্রী অমদি সেনিয়র সিটিজন সোসাইটিগী কো ওর্দিনেটরসু ওইরিবা ডা মোইরাংথেম নরনা রাজ্য অসিদা পাৱার ইনফ্রাষ্ট্রকচরগীদমক প্রস্তাব তৌরিবা শেন্হুং পীবগী ৰাফম অদুবু তরাম্না ওকখি। প্রোজেক্ট অসিনা মপূং ফারকপগা লোয়ননা মণিপুরী প্রজাগী পুন্সিগী মগুণ অসি হেন্না ফরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। প্রোজেক্ট অসি খূৎলৈ থুনা লোইশিনবিনবা মরী লৈনবশিংগী মফমদা হান্নগী মন্ত্রী অসিনা হায়জখি। শ্রী কিরনকুমার সিংহ, জোইন্ট সেক্রেটরী (পাৱার) না পোলিসি দোকুমেন্ট অসি লমদম অসিগী লোন্দা হায়বদি মণিপুরীদা হন্দোক্তুনা মীয়ামদা ফংহনগদবনি হায়খি। মসিনা মীয়াম্বু প্রোজেক্ট অসিগী মরমদা হেন্না পূক্নিং থিংজিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। এম.এস.পি.সি.এল. গী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকপদা একজিক্যুটিভ সম্মরীগী মণিপুরীদা হন্দোকপা কোপী অমদি পার্টিসিপেন্টশিংগী মফমদা হান্ননা সার্কুলেট তৌখ্রে লোয়ননা ষ্টেকহোল্ডরশিংদা হেন্না মমূৎ তানা খঙহন্নবগীদমক্তা ৱেবসাইটতসু থাগৎতুনা লৈরে হায়বা অসিনি। দরকারবু লৈরবদি খূদক্তা কোপী ফংহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু পার্টিসিপেন্টশিংদা পোকহনখি।



পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসিগী মরমদা মীয়ামদগী লেপ্পুনা ইনপুত/সজেসন থারক্লবা তোঙানবা ৱেবসাইট সিষ্টেম/ই-মেল অমা রাজ্য সরকারগী ৱেবসাইটতা শেম্নবগী ৰাফমসু মহাক্লা পুথোক্লম্মী। পীরিবা সজেসনশিং অসি পেনেলিষ্টশিংনা নীংথিজনা শৌগৎলম্মী।

ট্রান্সমিসন লাইন তিংবনা মরম ওইদুনা চীংগী লমদা উমং কোকহন্নবগী ৰাফম পার্টিসিপেন্ট অমনা পুখৎলকখি। অসিগুম্বা ইস্যু অসি কোকহন্নবা ই.এস.পি.পি.এফ.না মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপিনবসু মহাক্লা হায়জখি। পাউখুম ওইনা শ্রীৰাস্তবনা হায়খিবদা উমংগী এরিয়াদা উ তুবা অসি শূপ্পগী আর.ও.দব্লিউ (ROW) দতা অথিংবা লৈবনি; মদু ফাওবদা এম.ও.ই.এফ.কী গাইদলাইনগী মতুংইন্না, ফোরেষ্ট অথোরিটিগী অকনবা মিৎয়েংগী মখাদা মপূং ফানা তুবসি নাকল অনীদা মিটর ৩/৩গী ওইনা তৌই। উমংগী পোথোক চাথোক মাঙবা কূপখৎনবগীদমক্তদি প্রোজেক্ট অসিদগী কান্নবা লৌরিবশিংনা শোক্লবা লম অদুগী শরুক অনীদা উ ময়াম অমা থাদুনা অৰাৎপা মেনখৎনবগী চৎন-কাঙলোন লৈরি।

মিষ্টর রোবিন সিংহ, ই.ডি. (ঐইচ আর) না খন্ন-নৈনবগী সেসনদা পুখৎনরকখিবা ৱাফমশিং অদু পূল্লপ তাশিল্লবা মতুংদা কন্সলটেসন ৱার্কশোপ অদু লোইশিনখি।


# Public consultation meeting held

By Our Staff Reporter

Published in The Sangai Express, 22nd April 2015, Imphal

পার্টিসিপেন্টশিংনা পীখিবা কন্ট্রিব্যুসনগীদমক্তা মহাক্না মখোয়বু থাগৎখি লোয়ননা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপগী থেংখাং কয়াদা তাথোক-তাশিন তৌনবগী থবক অসি অসুম্মক চথখিগনি হায়বগী থাজবা থমখি। মণিপুরদা পায়খৎলিবা মৈ পীবগী থৌরাং অসিবু মহৈ য়ালহন্দুনা মসিনা লমদম অসিদা অচৌবা কান্নবা অমা পুরক্লগনি হায়বগী পাউজেল লোকেল পেপরশিং অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংদা পাক-চাউনা ফোঙদোকখি।




ই.এস.পি.পি.এফ. চাওখৎহন্নবগীদমক অহানবা ওইনা ষ্টেকহোল্ডরশিং অমদি কম্যুনিতিশিং য়াওহন্দুনা অওনবা অমা পুরক্লবা হোৎনরি হায়বা ৱাফম অসিসু পাউজেল অদুদা য়াওরি। মসি তরাম্না ওকপগী থৌওং অমনি। মতুংদসু অতৈ প্রোজেক্ট কয়া য়াওনা অসিগুম্বা থৌওং অসিগী মান্নবা শক্তম কয়া রাজ্য সরকারনা পুথোকপা ঙমগনি।

---